**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 16-08-2025)**

**কৃষ্ণ ঃ** ভগবান কৃষ্ণ পোকখিবা নুমিৎ-কৃষ্ণ জন্মাষ্টমিগী থৌরম মনিপুরদসু ঙসি হরাউ তয়ামা পাঙথোক্লি। অয়ুক অঙনবদগী হৌনা ইম্ফালগী শ্রীশ্রী গোবিন্দজিগী মন্দিরদা ভক্তা কয়ানা লাই খুরুম্বা লাকখি। লাই খুরুম্বা অমসুং ভগবান কৃষ্ণগী মিংখৈ শক শোন্নদুনা ভক্তশিংনা ঈশৈগী থৌরমশিংসু পাঙথোক্লি। কোনুং মমাং য়াওনা শ্রীশ্রী গোবিন্দজি মন্দিরগী অকোইবদা রাজ্য পুলিস য়াওনা সেক্যুরিতি ফোর্সনা চেকশিন্না ঙাক শেল্লি।

ইম্ফালগী সঙাইপ্রৌদা লৈবা ইসকোন মন্দিরদসু অয়ুক অঙনবদগী হৌনা ভক্তশিংনা লাই খুরুম্বা লাকখি। ইসকোন মনিপুর ৱিমেন্স ফোরম য়াওনা তোঙান তোঙানবা ঈশৈগী লুপশিংনা সংস্কৃত্তনগী থৌরম পাঙথোকখি। হি লানবা, নুপা পালা অমসুং কৃষ্ণ অবাতারগী দ্রামানচিংবা কয়াসু উৎখি। লাই খুরুম্বা লাকপা মীয়াম অশোয় অঙাম থোকহন্দনবা অমসুং কা হেন্না লন্বী চিলহন্দনবা রাজ্য পুলিস অমসুং সেক্যুরিতি ফোর্সনা চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎলি। কৃষ্ণ জন্মাষ্টমিগী মতাংদা ফোংদোক্লদুনা হসকোন-মনিপুর দেব কাউন্সিলগী চেয়ারমেন- একনাথ দাসনা অকাশবানি ইম্ফালদা অসুমা ফোংদোক্লি।

বিষ্ণুপুর জিলাদা, নিংথৌখোং বিশ্বা হিন্দু পরিষদ অমদি দিভাইন লাইফ সোসাইতিনা শিন্দুনা জন্মাষ্টমিগা মরী লৈননা নগর সংকৃটন পাঙথোকখি। অমরোমদা, জিলা অসিগী নিংথৌখোংদা গোপিনাথ সেবায়ট অমদি গোপিনাথ ক্লব অনিনা পুন্না শিন্দুনা জন্মাষ্টমিগা মরী লৈননা তোঙান তোঙানবা থৌরম কয়া পাঙথোকখি।

**ভালা (এল) ঃ** রাজ্যপাল-অজয় কুমার ভালানা হায়রি-থৌজাল হৈবা, পুকচেল

শেংবা, অহিংশা অমসুং মীনুংশি লৈবনা পুন্সিবু লমজিংলবদি মালেমগী ওইনা টেকোলোজি চাউখৎলকপগা লোয়নননা শিংনরকপা কয়া থেংনবা ঙমগনি।

ইম্ফালগী ইসকোন মন্দিরদা ঙসি পাঙথোকপা কৃষ্ণ জন্মাষ্টমিগী থৌরমদা অথোইবা মীথুং ওইনা শরুক য়ারদুনা রাজ্যপালনা হায়-ভগবান কৃষ্ণনগী ফজরবা ৱাখল্লোনশিং তুং ইন্দুনা চৎপনা মীওই মপোক্কী পুন্সি হেন্না ৱাহন্থোক লৈহনগনি।

মনিপুরদসু ভক্তা চা কয়ানা ভগবান কৃষ্ণনগী ফজরবা ৱাখল্লোনশিং ইন্দুনা লাইনিং লাইশোল অমসুং কলা সংস্কৃত্তিনচিংবদা থৱায় য়াওনা হোৎনরিবা অসি অফবা খোঙথাং অমনি। হৌরক্লিবা অঙাংশিং অমসুং নহারোলশিংগী লমচৎ শাজৎ, থকশি-খাশি শেমগৎপদা ভগবান কৃষ্ণনা তাকপীরম্বা ফজরবা ৱাখল্লোনশিং ইনদুনা চৎপগী তঙাইফদবা লৈ।

থৌরম অদুদা রাজ্যপাল-অজয় কুমার ভালানা ইসকোনগী সেভিনিয়র অমা ফোংখি অমসুং ওফিসিএল ৱেবসাইট অমা হাংদোকখি।

**দ্রগ (এল)ঃ** সেক্যুরিতি ফোর্সনা সেনাপতি জিলাগী টি-খুল্লেনদা অচৎ ওকশিং চেক তৌবদা ইম্ফালোমদগী সেনাপতি তমা লাকপা মীওই অনিদগী হেরোইন পাউদর কিলোগ্রাম অনি হেন্না ফাগৎলে হায়রি।

পুলিসকী পাউনা হায়-ফারবা মীওই অনি অদু অমনা নোংচুপ বেঙ্গোলগী মালদা জিলাদগীনি অদুগা অতোপ্পা অমদুনা অসামগী করবি অংলোং জিলাগী বোকাজানদগীনি। মখোয়না দ্রগশিং অদু মোটোর বাইক টি.ভি.এস. অপাচিগী থাউ তেঙ্কিং মনুংদা লোৎতুনা পুরম্বনি।

**য়ুনিয়ন (এল)ঃ** মীতৈ-মৈতৈ ত্রাইব য়ুনিয়ননা হায়রি-ভারতকী অৱাং নোংপোক রাজ্যশিং-মনিপুর, অসাম অমদি ত্রিপুরানচিংবদা বঙ্গলাদেস, নেপাল অমসুং ম্যান্মারদগী আইন কায়না চংশিল্লকপা মীতোপশিংনা খুন্দশিল্লক্তুনা রাজ্যশিং অসিদা লৈরিবা য়েলহৌমীশিংদা অচৌবা চৈথেং অমা পীরক্লি।

লুপ অসিনা থোকপা চেরোল অমদা হায়-অসিগুম্বা তানফম অসিদা মতম কুইনগী মমাংদগী লমদম অসিদা লৈমীন্নরক্লিবা তোঙান তোঙানবা য়েলহৌ ফুরুপশিংনা অমত্তা ওইনা লেপমীন্নদুনা থেংনবগী তঙাইফদবা লৈরে।

**ডে (এল)ঃ** ২১ শুবা ষ্টুদেন্টস মারটিয়দম ডেগী থৌরম ঙসি তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা পাঙথোকখি।

মনিপুরদগী আম ফোর্সেস স্পিসিএল পৱারস এক্ট (অফস্পা) লৌথোকউ হায়বা দাবী তৌদুনা মহৈরোই-পেবম চিত্তরঞ্জননা মশা মতোমতা মৈ থাদুনা শিজখিবা নুমিৎ অদুবু নীংশিংদুনা থৌরম অসি পাঙথোকপনি। থৌরম অসিগা মরী লৈননা ঙসি মনিপুরি ষ্টুদেন্টস ফেদরেসন (এম.এস.এফ) না শিনদুনা ৱা ঙাংদবা খোঙচৎ অমসু চৎখি। ইম্ফাল কলেজকী জ্লি হোলদসু মীতিন অমা পাঙথোকখি।

**বিমোল (এল)ঃ** লোক সভাগী এম.পি-ডা: অঙোমচা বিমোল অকোইজমনা ঙসি ইন্দিয়ান রেড ক্রোস সোসাহতি-মনিপুর ষ্টেট ব্রান্সতা হি অমসুং লাইফ জেকেটশিং খুৎশিন্নখ্রে।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা ডা: বিমোলনা হায়-রেড ক্রোস সোসাইতি অসি ভোলুন্টরি ওর্গনাইজেসননি। মসিনা মালেমগী মফম পুমমক্তা মীয়ামগী তেংবাং পীদুনা লাক্লি। ইন্দিয়ান রেড ক্রোস সোসাইতিনা ঈশিং ঈচাওনা মহৌশাগী অৱাবা থৌদোকশিং থোরকপা অমদি মতম মতমগী ওইনা মীয়ামদা অৱা অনাশিং থেংনরকপা মতমদা তেংবাং পীবগী থবক লেপ্পা লৈতনা চথ্রি। অসিগুম্বা মীয়ামগীদমক কৎথোক্তুনা থবক তৌরিবা লুপ অসি ঐখোয় পুমমকা থম্মোয় শেংনা শৌগৎপীবা অমদি মতেং পাংবীবা তঙাইফদে।

**জিরিবাম (এল)ঃ** জরিবাম জিলাগী চিংদোং লৈকাই মল্টি পরপজ হোলদা ঙসি

নুমিৎ হুমনিগী ওইবা পোসনভি-পরাইভিগী অঙ্গনৱাদি ৱাকরশিংগী ত্রেন্নিং প্রোগ্রাম অমা হৌখ্রে।

জিলা অসিগী আই.সি.দি.এস. প্রোজেক্টনা সোসিএল ৱেলফিয়ার বিভাগকী মখাদা শিনবা ত্রেন্নিং প্রোগ্রাম অসিদা অঙ্গনৱাদি ৱাকরশিংদা মচি ওইবা চিঙ্গাক্কী মতাং অমসুং চহি তরুক্কী মখাদা লৈবা অঙাংশিংদা প্রি-স্কুল এদুকেসনগী তঙাইফদবশিং নীংথিনা তাকপী তম্বীরি।

অঙাংশিংদা অশোয় অঙাম থোক্লোইদবা মওংদা মহৌশাগী ফিভমগা চুশিন্ননা লৈহন্নবা অমসুং অঙাংশিংবু মমা-মপা অমদি অহল লম্মনশিংনা কমদৌনা লমজিংবীগনি হায়বনচিংবা ৱাফম কয়াসু ত্রেন্নিং অসিদা নীংথিনা তাকপী তম্বীগনি। হকচাংগী ফিভম মীমান্নদবা অঙাংশিংবু মতৌ করমা লোয়নগনি অমদি তাকপী তম্বীগনি হায়বনচিংবসু অঙ্গনৱাদি ৱাকরশিংদা তম্বীগনি। ত্রেন্নিং অসিদা অঙ্গনৱাদি ৱাকর ১০০ হেন্না শরুক য়ারি।

**নেসো (এল)ঃ** অৱাং নোংপোক রাজ্যশিংদগী য়ু.পি.এস.সি. পরিক্ষা থানিংবা মহৈরোইশিংগীদমক নোর্থ ইষ্ট ষ্টুদেন্টস ওর্গনাইজেসন (নেসো) না লেমা কোচিং ক্লাস হৌরগনি।

নেসোগী এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরি জেনরেলনা থোকপা চেরোল অমদা হায়- অৱাং নোংপোক রাজ্যশিংদা লৈরিবা মহৈরোই কয়ানা য়ু.পি.এস.সিনা লৌবা পরিক্ষাশিং থানিংবা অমদি মশাদা অসিগুম্বা পরিক্ষা অসি মায়োকবগী চপ চাবা ফিরেপ লৈজরবসু শেল থুমগী ফত্তবনা মরম ওইরগা দিল্লিদা চৎতুনা কোচিং তৌবা ঙমদবা মহৈরোইশিংগী য়েংলগা থৌরাং লৌখৎলকপনি।

অৱাং নোংপোক রাজ্যশিংগী মহৈরোই খরা, অখন্ননা খনগৎলবা মতুং দিল্লিদা লৈবা নেক্স আই.এ.এস. কোচিং সেন্টরদা চহি খুদিংগী ওইনা লেমা কোচিং পীবা হৌরগনি। মসিগীদমক মনিপুরদগীসু মহৈরোই অনি খনগনি। শরুক য়ানিংবা মনিপুরগী মহৈরোইশিংনা থা অসিগী ২০ ফাওবগী মনুংদা মেনশিল্লবা

ফোর্মশিং পীশিল্লকপা য়াগনি হায়রি।

**পেন্সন ঃ** থৌদাম কনবা লুপ-থৌবালগী মঙাশুবা ফাউন্দেসন ডেগা মরী লৈননা চহি ৮০ শুরবা অহল ৩৩ দা পেন্সন য়েন্থোকপগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা এম.এল.এ. ও. সুরজাকুমারসু শরুক য়াখি।

**গনেসন ঃ** মনিপুরগী রাজ্যপাল ওইরম্বা নাগালেন্দগী রাজ্যপাল-লা গনেসনগী অরোইবা মথৌ মঙম ঙসি চেন্নাইদা পাঙথোকখ্রে।

মহাকা লৈখিদবদা রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা হায়-মহাকা রাজ্য সভাগী মেম্বর অমসুং মনিপুর, নাগালেন্দ অমসুং নোংচুপ বেঙ্গোলগী রাজ্যপালশিং ওইনা তৌরিঙৈ মতমদা মীয়ামগীদমক য়াইফ থৌরাং কয়া পাঙথোক্লমখি। তামিল নাদুবু হেন্না চাউখৎহন্নবা হোৎনবদা মহাকা লৌরম্বা থৌদাং থোইদোকা শিংথানিংঙাইনি।

প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনসু-লা গনেসননা লৈখিদবদা থম্মোয় শোকা অৱাবা ফোংদোকখ্রে।

মণিপুরগী রাজ্যপাল আজয় কুমার ভালানা লা গনেসননা লৈখিদবদা অৱাবা ফোংদোক্লদুনা হায়-মহাকা লৈখিদবা অসি ঐখোয় পুমমক্কী ওইনা অচৌবা মাংজবা অমনি। রাজ্য সভা এম.পি. মহারাজ লৈশেম্বা সনাজাউবা অমসুং হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেননসু লা গনেসননা লৈখিদবদা অৱাবা ফোংদোকখ্রে।

মনিপুর বিধান সভাগী অধ্যক্ষ-থোকচোম সৈত্যবরতানা অৱাবা ফোংদোক্লদুনা হায়-মহাকা মনিপুর মীয়ামগীদমক হোৎনবীরম্বা কয়া অদু মতম চুপ্পদা নিংশিংদুনা লৈহৌরগনি।

হান্নগী পৱার মন্ত্রি-থোঙাম বিশ্বজিৎনসু লা গনেসননা লৈখিদবদা অৱাবা ফোংদোক্লদুনা হায়-মহাক্কী মীনুংশি চাউবা অমসুং মীয়ামগীদমক খন্দুনা থবক

তৌবগী ৱাখল্লোন অদু মতম চুপ্পদা নীংশিংদুনা লৈহৌরগনি।

বি.জে.পি. মনিপুর প্রদেসকী প্রসিদেন্ট-অধিকারি ময়ুম সরদা দেবীনসু লা গনেসননা লৈখিদবদা অৱাবা ফোংদোকখ্রে।

**ভাজপায় (এল)ঃ** লৈবাক অসিগী হান্নগী প্রধান মন্ত্রি অতল বিহারি ভাজপায়গী ৭ লক শুবা লৈখিদবগী নিংশিং কুমওন থৌরম ঙসি ইম্ফালগী নিত্যাইপাৎ চুথেক্তা লৈবা থন্বাল শঙলেনদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা বি.জে.পি মণিপুর প্রদেশকী প্রসিদেন্ট এ. সরদা য়াওনা দলগী লুচিংবশিং অমদি এম.এল.এ. কয়া শরুক য়াখি।

রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমু অমসুং প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা লৈবাক অসিগী হান্নগী প্রধান মন্ত্রি অতল বিহারি ভাজপায় লৈখিদবগী কুমওন নুমিৎতা ঙসি দিল্লিদা লৈবা অটল বিহারি ভাজপায়কী নিংশিং খুভম-সাদেব অটলদা লৈ কৎতুনা ইকায় খুমবা উৎখি। কেন্দ্রগী মন্ত্রি রাজনাথ সিংহ, জে.পি. নদ্দা, কিরেন রিজিজ, গজেন্দ্র সিংহ সেখাৱট, লোক সভা অধ্যক্ষ ওম. বিরলা অমসুং দিল্লিগী মুখ্য মন্ত্রি রেখা গুপ্তনচিংবা থৌরম অদুদা শরুক য়াখি। কেন্দ্রগী হান্নগী মপান থৌরম রাজ্য মন্ত্রি ডাঃ রাজকুমার রঞ্জন সিংহনা লুচিংবা অসিগী লৈখিদবগী নুমিৎনা লাকপদা ইকায় খুমবা উৎলক্লি।

নীংশিংবা য়াই, ২০১৮ গী ঙসিগী নুমিৎ অসিদা অতল বিহারি ভাজপায় অরোইবা য়াহিপ তানখিবনি। মহাক টার্ম অহুম্লক ভারতকী প্রধান মন্ত্রি ওইরমখি। ভারতকী খ্বাইদগী চাউবা মীচম মীয়ামদা পীবা মনা ভারত রত্ন মনা ২০১৫ দা অটল বিহারি ভাজপায়দা পীখি।

**পিএম ঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা হয়েং ন্যু দিল্লিদা লুপা কোতি লিশিং ১১ চংনা শেমগৎপা নেসনেল হায়ৱে প্রোজেক্ট অনি শঙ্গারগনি।

প্রোজেক্ট অসিগী মনুংদা দুৱারকা এক্সপ্রেস ৱেগী দিল্লি সেক্সন অমসুং

অবার্ন এক্সটেন্সন রোড-টু য়াওরি।

প্রধান মন্ত্রি ওফিসকী পাউনা হায়-প্রোজেক্টশিং অসি লৈবাক্কী কোনুং অসিদা লন্থী চিনবগী ফিভম মায়োকরিবা অদু হন্থহন্নবা পায়খৎলকপনি। অনৌবা লন্থীশিং অসিনা হান্নদগী মতম চংহন্দনা অমসুং লন্থী চিলহন্দনা মীয়ামনা চৎথোক চৎশিন তৌবদা হেন্না খুদোংচাহল্লগনি। থৌরম অদুগা মরী লৈননা প্রধান মন্ত্রিনা মীয়ামগী মীফম অমদা ৱা ঙাংগনি।

**ঈচাও ঃ** অৱাং থংবা পাকিস্তানদা নোং কন্না চুবদগী খঙহৌদনা ঈচাউ থোরক্তুনা য়ামদ্রবদা মীওই ৩২১ শিরে। মখা তানা অকনবা নোং তাগনি হায়রি।

হৌখিবা পুং ৪৮ দা মফম অদুদা লেপ্তুনা নোং কন্না চুবদগী খঙহৌদনা চীং নিংখায়বা অমদি ঈশিং ঈচাওগী ফিভমশিং মায়োকরকখিবনি। পাকিস্তানগী নেসনেল দিজাস্তর মেনেজমেন্ট ওথোরিতিনা থৌদোকশিং অদুদা খাইবর পাকতুনখুৱা প্রোভিন্সতা মীওই ৩০৭ লৈখিদ্রে হায়না ফোংদোকখ্রে। মীওই ৯ অমনা পাকিস্তাননা খুদুম চল্লিবা কাশ্মিরদা লৈখিদবনি অদুগা মীওই মঙানা গীলগীত বালকিস্তান লমদমদা লৈখিদবনি হায়রি।

অমরোমদা, লৈবাক অসিগী জম্মু কাশ্মিরদগী কিটসৱার জিলাদসু নোং কন্না চুবদগী চীং নিংখায়বা অমসুং লৈনাং চেন্থরক্তুনা মীওই কয়া অৱাবা নংলি। লান্মী, এন.দি.আর.এফ., সি.দি.আর.এফ, পুলিস অমসুং মফম অদুগী দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসননা মী কনবা অমসুং তেংবাং পীবগী থবক চত্থরি। মদুদা, এম.আই. সভেন্টিন হেলিকোপ্তুর অনি অমসুং এদভান্স লাইট হেলিকোপ্তুর অমা শিজিন্নরি।

মুখ্য মন্ত্রি-ওমর অবদুলানা মপুং ওইনা অৱাবা নংলিবা চাসোতি খুঙ্গংদা চৎতুনা য়েংশিনখ্রে।

**সম্মিৎ ঃ** আমেরিকাগী রাষ্ট্রপতি দোনাল্ড ত্রম্প অমসুং রসিয়াগী রাস্ত্রপতি- ভ্লাদিমির পুটিননা য়ুক্রেন অমসুং রসিয়াগী উংখৎনরিবা ৱাথোক্কী মতাংদা

অলাস্কাদা ৱারী শান্নবা অদু য়ান্নবা পুরক্তনা লোইশিনখ্রে।

মীফম অদুদা লুচিংবা অনিনা হায়-অলাস্কা সম্মিৎকী মরুওইবা ৱাফম অসি য়ুক্রেনগা উংখৎনরিবা অসিগী মতাংদনি। শ্রী পুটিননা হায়-লৈবাক অসিনা য়ুক্রেনগা উংখৎনরিবা অসি থম্মোয় শেংনা লোইশিনবা পাম্মী। ৱাথোক অসিগীদমক রাষ্ট্রপতি দোনাল্ড ত্রম্পকা মোস্কোদা অমুক হন্না উন্নগনি।

**দুরান (এল)ঃ** দুরান কপকী ঙসি শিল্লোংগী জৱাহরলাল নেহরু ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা ক্বাটর ফাইনেল মেটচতা য়ুম্বু শিল্লোং লাজোং এফ.সিনা ইন্দিয়ান নেভি ফুটবোল টিমবু পাঞ্জল ২-১ দা থোইখ্রে।

মেটচকী অহানবা হাফকী ৩৫ শুবা মিনিটতা ইন্দিয়ান নেভিগী বিজয় মরানদিনা পাঞ্জল অমা চনদুনা টিম অসিনা অহানবা হাফ ফাওবদা মায় পাক্তুনা চৎখি। অদুবু, অনিশুবা হাফকী ৬৯ শুবা শিল্লোং লাজোংগী দমাইকথাং লিংদোনা অহানবা টিমগী পাঞ্জল চনবা ঙমদুনা নাকল অনিগী মরক্তা পাঞ্জল অমমমদা লৈখি। মেটচকী লোইরমদাই মতম মিনিট ৭৯ চৎপা মতমদা শিল্লোং লাজোংগী নহা ওইরিবা শান্নরোই-ইভর রাইটন সনানা পেনালতি সুট আউটতা পাঞ্জল অমা চনদুনা মেটচ অসি শিল্লোং লাজোংনা পাঞ্জল ২-১ দা মায় পাকখি।

**ফুটবোল (এল)ঃ** কালিনামৈ এফ.সিনা মাও ফুটবোল লিগকী চেম্পিয়ন ওইরে। থা অসিগী অনিদগী চথুরকপা মাও ফুটবোল লিগ ঙসি লোয়শিনখ্রে।

ঙসি সোংসোং এফ.সি. অমদি কালিনামৈ এফ.সিগা শান্নখিবা মেটচতা কালিনামৈ এফ.সিনা পাঞ্জল অনি চন্দুনা চেম্পিয়ন ওইখিবনি। লিগ অসিগী ভেষ্ট দিসিপ্লিন টিম-কাইবি এফ.সিনা তাখ্রে। লোয়শিনবগী থৌরমদা রাজ্যগী চীফ সেক্রেটরি-পুনিত কুমার গোয়ল, এম.এল.এ. এল. দিখো, সেনাপতিগী দি.সি. অমদি এস.পি. শরুক য়াখি।

**স্কেটিং (এল)ঃ** ভারতনা ইহান হানবা ওইনা এসিয়ান ওপন সোর্ট ত্রেক স্পিট স্পেটিং ত্রোফি-২০২৫, য়ুম্বু ওইদুনা ধেরাদুনগী রাইপুরদা লৈবা  মহারানা প্রতাব স্পোর্টস কলেজতা আগস্ট ২০ দগী ২৩ ফাওবা পাঙথোক্লগনি। মসিদা চাইনা, জপান, হোং-কোং, ইন্দোনেসিয়া, সিঙ্গাপুর, থাইলেন্দ, মালেসিয়া, ভিয়েটনাম, ফিলিপিন্স য়াওনা তোঙান তোঙানবা এসিয়াগী লৈবাক ১১ গী শান্নরোইশিংনা ইভেন্ট ৯ দা অথোই অহেনা তান্নগনি।